# নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অকনবা নোং তারবা য়ানা লৈরি

গুৱাহাটি, জুন ০৬ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ান মেটিরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা অকনবা নোং লাক্লিবা জুন ১০ ফাওবদা তারবা য়াই হায়রি।

ওল ইন্দিয়া ৱেদর সম্মরি এন্দ ফোরকাষ্ট বুলেটিননা থাদোরকপা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘলয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাগী শরুকশিংদা পুংদা কিলোমিটর ৩০-৪০ য়াঙবা নুংশিৎকা লোয়ননা অকনবা নোং তাগনি।

আই এম দিনসু য়াম্না কা হেন্না কনবা নোং সিক্কিম, অসাম অমসুং মেঘলয়াগী শরুক্তা তারবা য়ানা লৈরি অদুগা অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদনা ময়াই ওইরকপ কনবা নোং তাগনি হায়রি।

আই এম দিগী প্রিদিক্সন মতুং ইন্না অসাম, মেঘলয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা লাক্লিবা জুন ৭ তা অখাক অরাও য়াওনা নোংলৈ নুংশিৎ তৌরবা য়াই হায়রি। জুন ৮ দনা সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অসামদা অকনবা নোংনা চৈথেং পীগনি অদুগা জুন ৯ দনা মেঘলয়া অমসুং সিক্কিমদা অখাক অরাও য়াওবা নোং চুগনি। অদুগা জুন ১০ দনা অসাম অমসুং মেঘলয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়না দিপার্টমেন্ট অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংগী মীয়াম্না মীৎকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা আপীলসু তৌরক্লি।




ৱাংখেম এ সীগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রগা খূৎশম্নরগা চরাংপাৎ মমাং লৈকায় টাক্স ফোর্স টিম, সী এ ৱাই এ ক্লব অমসুং মাইচোনগী ভলন্টিয়রশিংনা এ সী অদুগী মনুং চন্না লৈবা কোভিদ-১৯ না চৈথেং পীরিবা মীয়ামদা থক্নবা ঈশিং য়েন্থোকপগী থবক থৌরম হৌদোকখিবা

# ত্রিপুরাদা ক্লাস টেন, টুয়েল্বকী বোর্দ এগজামশিং কেন্সেল তৌনবা দিমান্দ তৌখ্রে

অগরতালা, জুন ০৬ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা হৌজিক লৈরিবা কোভিদ-১৯গী ফিভম য়েংদুনা ত্রিপুরা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন (টি বি এস ঈ)না কন্দক্ট তৌবা ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ব এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌনবা ষ্টেট অসিগী হান্নগী এদ্যুকেশসন মিনিষ্টর অমসুং সিট্টিং সী পি আই (এম)গী এম এল এ তপন চক্রবোর্তিনা দিমান্দ তৌখ্রে।

চক্রবোর্তিনা ফোঙদোকখিবদা, জুন ১ দা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা সী বি এস ঈ অমসুং সী আই এস সী ঈনা স্কুল লিভিং এগজামশিং কেন্সেল তৌখি অমসুং রিজল্ট লাউথোকপা য়ানবগীদমক ইভালুএসনগী তোঙানবা মেথদশিং পুথোক্লবা হোৎনরি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়গী টি বি এস ঈ ওথোরিটিনা হীরম অসোমদা ৱাহন্থোক লৈবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎতনা লৈরি।

মীয়াম অমসুং নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংনা শাথিবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সনগী অকিবা অমা মায়োক্ল রিঙৈ চৈরক অসিদা খ্বাইদগী ফবা ওপসন্দি এগজামশিং কেন্সেল তৌবা অমসুং ইভালুএসনগী তোঙানবা মেথদ অমা পুথোকপনা ওইগনি হায়না চক্রবোর্তিনা সজেসন পীখি।

হান্নগী ত্রিপুরাগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অসিনা লুরবা ইস্যু অসিগী মতাংদা লৈখায় তাদবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিনা মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী অহল-লমনশিংগী ৱাখল নুংঙাইহন্দ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি মদুদি, মহৈরোয়শিং অমসুং মখোয়গী অহল-লমনশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা অমদি মখোয়বু কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন্দগী ঙাকথোক্লবগীদমক খ্বাইদগী ফবা ৱারেপ্তি এগজামিনেসনশিং অসি কেন্সেল তৌদুনা ইভালুএসনগী চৎনবা য়াবা মেথদ অমা পুথোকপা অসিনি।

চৈরক অসিদা, ষ্টেট এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা খন্নবা জুন ১৪দা মীফম অমা পাঙথোক্লগনি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা ফোঙদোকখ্রে। মিনিষ্টর অসিগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা টি বি এস ঈ, হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং মশক নাইবা একাদেমিসিয়নশিং, সাইকোলোজিষ্টশিং, জর্নেলিষ্টশিং অমসুং অতৈ মীওই কয়ানা শরুক য়াগনি। মখোয়না এগজামিনেসন পোলিসিগী মতাংদা ৱারেপ লৌগনি হায়রি।


## নাগালেন্দদা কোভিদকী অনৌবা কেস ৭৭ থেংনখ্রে

দিমাপুর, জুন ০৬ (এজেন্সী):

হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা নাগালেন্দ ষ্টেটতা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৭৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৪ শিহনখ্রে হায়না নাগালেন্দগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা নোংমাইজিং নুমিৎ খক্তদা মীওই ১৬০ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎদগী রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ঙসি শিখিবা মী মশীং অসি থারগা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা অপূনবা মশীং ৪১২ শুখ্রে। নাগালেন্দদা হৌজিক হৌজিক লায়না লাইচৎ অসিগী এক্তিভ কেস মশীং ৪,৭৩২ ওইরি।

## CROSSWORD-3802



**ACROSS**

1 Breathe (7)
5 Slumber (5)
8 Odour (5)
9 Item of clothing (7)
10 Vertical (7)
11 Fatigued (5)
12 Impetuously (6)
14 Unpowered aircraft (6)
18 Bestow (5)
20 Open-handed (7)
22 Talk very quietly (7)
23 Taut (5)
24 Heavenly bodies (5)
25 Mocked (7)

**DOWN**

1 Saviour (7)
2 Take an oath (5)
3 Unlawful (7)
4 Fourscore (6)
5 Scolding woman (5)
6 Green gem (7)
7 Trifling (5)
13 Endurance, staying power (8)
15 Large crustacean (7)
16 Akin (7)
17 Cake-burning king (6)
18 Dresses (5)
19 Sorts, varieties (5)
21 Inflexible (5)

**Solution 3801**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | H | R | U | B | S | | C | E | A | S | E | D |
| T | | E | | R | | | | M | | C | | E |
| R | A | D | I | O | | C | A | B | B | A | G | E |
| I | | R | | O | | O | | A | | M | | P |
| F | R | E | E | D | O | M | | R | E | P | E | L |
| E | | S | | | | E | | G | | | | Y |
| | | S | A | C | K | C | L | O | T | H | | |
| P | | | | E | | L | | | | E | | K |
| A | R | S | O | N | | E | M | B | R | A | C | E |
| U | | C | | T | | A | | E | | D | | R |
| S | P | O | R | R | A | N | | G | R | I | M | M |
| E | | P | | A | | | | I | | N | | I |
| D | W | E | L | L | S | | K | N | I | G | H | T |

SOLUTION ON NEXT ISSUE [redacted]

## কেস মশীং হন্থরে

গুৱাহাটি, জুন ০৬ (এজেন্সী):

অসামদা মমাং চয়োলগা য়েংনরুবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরকখ্রে। হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ২,২২৮ খক্তমক থেংনখি। অদুগা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৩৭ শিহনখি। শিবগী মশীংসু হান্নগা য়েংনরুবদা হন্থরক্লে। ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী রিকোভরি রেট চাদা ৮৭.৪২ দা লৈরি। অদুগা পোজিটিভিটি রেটনা চাদা ৩.০৩ ওইরি।

# নেসনল পার্ককী শরুক খরা ঈশিং থুমজিনখ্রে

গুৱাহাটি, জুন ০৬ (এজেন্সী):

ব্রহ্মপুত্র তুরেল অমসুং মসিগী মশা-মরেংশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী অসামগী কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক (কে এন পি)গী শরুক খরা ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঈশিং থুমজিনখিবা অসিনা মরম ওইরগা নেসনল পার্ক অসি শা কয়া নেসনল হায়ৱে-৩৭ লাম্থোক্তুনা অৱাংবা মফমশিং থিবা উখি।

অসুম্না শাশিংনা পার্ক অসিদগী অৱাংবা মফমশিং থিনবা হোৎনবদা হায়ৱে লাম্থোক্লিবদু য়েংদুনা শাশিং অসিদা খোঙজেল য়াঙনা চেল্লকপা গাড়ীশিং থেংজিলহন্দনবগীদমক নগাওন দিষ্ট্রিক্টকী কালিয়াবোর সব-দিভিজন এদমিনিষ্ট্রেসননা গাড়ী চখোক-চৎশিন্দা স্পীদ লিমিট থমখ্রে।

এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা সী আর পি সীগী সেক্সন-১৪৪ (১) গী মখাদা এরিয়া অদুদা হায়ৱেগী শরুকশিং য়াওনা অঙ্গুরিদগী বাগোরি ফাওবা চৎনগদবা অথিংবগী ওর্দরশিং ইস্যু তৌখি।

ওর্দরশিং অদুগী মতুং ইন্না গাড়ীশিংগী স্পীদ পূংদা কিলোমিটর ৪০দগী হেল্লোইদবনি অমসুং মী ৫ নৎত্রগা হেন্না পূনবা য়ারোই। দাবাশিং নৎত্রগা রেষ্টোরেন্টশিংগী মমাঙদা গাড়ী খাম্বা অমসুং অহিংগী মতমদা এরিয়া অদুদা মরম লৈতনা লাইট মোটোর ভেহিকলশিং খাম্বা নৎত্রগা গাড়ী হোর্ন খোংবদা অথিংবা থমখি।

পুলিস, সেক্যুরিটি ফোর্স, ফোরেষ্ট ওফিসরশিং অমসুং কোভিদ দ্যুটিদা লৈবা পর্সনলশিং য়াওনা ইমজেন্সি সর্ভিসশিংগী ওইনদি অথিংবগী ওর্দর অসিদগী কোমথোকহনখি।

# নোর্থ ইষ্টর্ন হিলস য়ুনিভর্সিটিগী অনৌবা ভাইস চাঞ্চেল্লর হাপ্নবা শিল্লোং এম পি ভিন্সেন্ট পালানা দিমান্দ তৌখ্রে

শিল্লোং, জুন ০৬ (এজেন্সী):

শিল্লোং লোক সভা এম পি অমসুং হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভিন্সেন্ট ঐচ পালানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা লেট্টর অমা ইদুনা নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি (নেহু) গী অনৌবা ভাইস চান্সেলর অমা হাপ্পীনবা তকশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিদা ইবা লেট্টর অদুদা পার্লিয়ামেন্টরিয়ান পালানা হায়খি, মহাক্না মমাঙদসু য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা ইদুনা মেঘালয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অনৌবা ভি সি অমা হাপ্পীনবা তকশিনবা লৈখ্রে। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবা য়ুনিয়ন এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী হীরম অসিগা মরী লৈননা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলকপা লৈত্রি।

চৈরকসিদা, য়ুনিভর্সিটি অসিদা ওইরক্লিবা ফিভম অসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাই ওই হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিনখি। মহাক্না হায়, য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেঙ্কিং চহী খূদিংগী লেপ্তুনা হন্থরক্লি। কুমজা ২০১৭কী এন এ এ সীগী রিপোর্টতা এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং লীদরশিপ মতিক চাদবা অসিনা মরম ওইদুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী রেঙ্কিং হন্থরকপনি।






খ্বাইদগী ইনৌ নৌবা রিপোর্টতা য়ুনিভর্সিটি অসি রেঙ্কিং ৪৯ শুবদা লৈদুনা মমাঙগী চহীদগী মফম ১০ হন্থরক্লে।

হৌখিবা চহী ৫ অসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী থবকশিং অদুক্কী মতিক পেন্নিংঙাই ওইদনা লাক্লি। মসিনা নেহুগী স্কোর হন্থনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংগী ওজাগী হাংলিবা মফমশিং অদু হৌজিক ফাওবা মেনশিন্দনা লৈরি। ওজাগী ফমশিং মেনশিন্দবা অসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয়শিংদা চৈথেং চাওনা পীরি হায়না ভিন্সেন্টনা লেট্টর অদুদা মখা তানা পনখি।

মহৈরোয় লিশিং কয়াগী য়েংদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদা মীৎয়েং থুনা চঙবীনবা অমসুং থিন্থবা তৌদনা অনৌবা ভাইস চান্সেলর অমা হাপ্পীনবা মহাক্না তকশিনখি।

পনবা য়াবদি, নেহুগী ওজাশিংগী এসোসিএসন য়াওনা মেঘালয়াগী ওর্গনাইজেসন অহুম্না চহী অসিগী এপ্রিলদা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দদা জোইন্ট মেমোরেন্দম অমা পীশিন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চান্সেলার প্রোফেসর এস কে শ্রীভাষ্টবনা চথরিবা পাৱর লান্না শীজিন্নবগী থবক থৌওংশিংদা অথিংবা পীবিনবা হায়জখ্রবনি। প্রসিদেন্টতা জোইন্ট মেমোরেন্দম পীশিনখিবা ওর্গনাইজেসনশিং অদুদি মেঘালয়া ট্রাইবেল টিচর্স এসোসিএসন (এম ঈ টি টি এ), নোর্থ ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিএসন (নেহুটা), মেঘালয়া কনফিদরেসন ফোর একাদেমিক ৱেলফেয়র (মেকাও)নি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3601**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 4 | 6 | | | | 3 | 7 | 5 |
| | | | | 6 | 3 | | | |
| | | | | | | | 9 | |
| 8 | | | | | 6 | | 5 | |
| 6 | | 5 | 2 | | 4 | 8 | | 9 |
| | 7 | | 9 | | | | | 6 |
| | 8 | | | | | | | |
| | | | 4 | 3 | | | | |
| 7 | 6 | 3 | | | | 2 | 4 | |

**Solution-3600**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 7 | 3 | 5 | 4 | 2 | 9 | 6 |
| 2 | 4 | 6 | 9 | 7 | 1 | 8 | 3 | 5 |
| 5 | 9 | 3 | 8 | 6 | 2 | 1 | 4 | 7 |
| 3 | 2 | 4 | 5 | 8 | 9 | 6 | 7 | 1 |
| 7 | 5 | 8 | 1 | 4 | 6 | 9 | 2 | 3 |
| 6 | 1 | 9 | 2 | 3 | 7 | 4 | 5 | 8 |
| 9 | 3 | 5 | 6 | 2 | 8 | 7 | 1 | 4 |
| 8 | 7 | 1 | 4 | 9 | 3 | 5 | 6 | 2 |
| 4 | 6 | 2 | 7 | 1 | 5 | 3 | 8 | 9 |

## EMPLOYMENT NEWS

IGCAR Kalpakkam Recruitment 2021: Government of India, Department of Atomic Energy (DAE), Indira Gandhi Centre for Atomic Research (IGCAR) Kalpakkam invites online applications from eligible Indian Citizens for recruitment of Group A, Group C and Stipendiary Trainees. The online registration process will be start from 15th April 2021 and scheduled to be close on 14th May 2021. The last date for submission of application has been extended up to 10th June 2021.
ADVERTISEMENT NO. IGCAR/02/2021
Direct Recruitment:
Name of Post
No of Vacancies
Scientific Officer / E (Group A)
01
Technical Officer / E (Group A)
01
Scientific Officer / D (Group A)
03
Technical Officer / C (Group A)
41
Technician / B (Crane Operator)
01
Stenographer Grade III
04
Upper Division Clerk (UDC)
08
Driver (OG)
02
Security Guard
02
Work Assistant / A
20
Canteen Attendant
15
Stipendiary Trainee Vacancies:
Name of the Post
No of Vacancies
Stipendiary Trainee Category I
68
Stipendiary Trainee Category II
171
Age Limit:
Scientific Officer / E: 18 to 40 years
Technical Officer / E: 18 to 40 years
Scientific Officer / D: 18 to 40 years
Technical Officer / C: 18 to 35 years
Technician / B (Crane Operator): 18 to 25 years
Stenographer Grade III: 18 to 27 years
Upper Division Clerk (UDC): 18 to 27 years
Driver (OG): 18 to 27 years
Security Guard: 18 to 27 years
Work Assistant / A: 18 to 27 years
Canteen Attendant: 18 to 25 years
Stipendiary Trainee Category I: 18 to 24 years
Stipendiary Trainee Category II: 18 to 22 years
Pay Scales:
Scientific Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / E: Level 12 ? 78800/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Scientific Officer / D: Level 11 ? 67700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technical Officer / C: Level 10 ? 56100/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Technician / B (Crane Operator): Level 3 ? 21700/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Stenographer Grade III: Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Upper Division Clerk (UDC): Level 4 ? 25500/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Driver (OG): Level 2 ? 19900/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Security Guard: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Work Assistant / A: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Canteen Attendant: Level 1 ? 18000/- + DA + allowances as admissible to Central Government Rules
Educational Qualifications:
Scientific Officer / E: Ph.D. in Metallurgical Engineering / Materials Engineering with B.Tech with minimum 60% marks in respective discipline. Minimum 04 years relevant experience.
Technical Officer / E: B.E. / B.Tech with minimum 60% marks in Chemical discipline.
Scientific Officer / D: Ph.D. with Bachelor of Science and Master of Science (in relevant discipline) or B.E. and M.E. or Master of Technology in in relevant discipline with minimum 60% marks.
Technical Officer / C: M.Sc. / M.Tech / B.E. / B.Tech / B>Sc.
Technician / B (Crane Operator): SSC with Science and Maths with minimum 60% marks (OR) Higher Secondary Certificate (HSC) with minimum 60% marks in Physics, Chemistry and Maths.
Stenographer Grade III: Matriculation / SSC or equivalent with 50% marks. Minimum speed of 80 wpm in English Short hand and 30 wpm in English typing.
Upper Division Clerk (UDC): A Degree in any discipline with an aggregate of 50% marks.
Driver (OG): Pass 10th Standard (Matric) / SSC. Valid driving licence to drive light and heavy vehicles.
Security Guard: SSC Pass or equivalent certificate from Armed Forces.
Work Assistant / A: Pass in 10th standard / SSC / Matric.
Canteen Attendant: Matriculation or equivalent qualification.
Stipendiary Trainee Category I: Diploma / B.Sc. Degree in relevant discipline.
Stipendiary Trainee Category II: Minimum SSC / HSC Pass in relevant discipline. ITI certificate of not less than 02 years duration in the relevant trade.
Selection Process:
Skill Test / Trade Test
Interview.
Application Fee:
300/- for Scientific Officer / Technical Officer posts.
200/- for Stipendiary Trainee Category-I posts.
100/- for Stipendiary Trainee Category-II posts.
The fee is payable online through Net Banking / Credit Card / Debit Card only.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through IGCAR official website (igcar.gov.in OR i-register.in/igcarcertin) from 15th April 2021. The last date for registration of online applications is 14/05/2021 up to 23:59 PM. The closing date for registration extended up to 10/06/2021.

Directorate General Border Security Force (BSF) invites applications from eligible candidates for recruitment vacancies of Group A, B & C combatised posts in Mi Fleet in BSF Air Wing on contract basis. The advertisement is open up to 31st December 2021.
Name of Post
No of Vacancies
Capt / Pilot (DIG)
02
Comdt (Pilot)
06
SAM (Inspr)
05
JAM (SI)
11
AAM (ASI)
16
Senior Flight Gunner (Inspr)
05
Junior Flight Engineer (SI)
04
Junior Flight Gunner (SI)
04
Place of Posting: Guwahati, Ranchi, Srinagar, as well as any other location to be decided by Competent Authority.
Pay Scales:
Capt / Pilot (DIG): ? 3.25 to 3.5 Lakhs per month
Comdt (Pilot): ? 2.8 to 3.4 Lakhs per month
SAM (Inspr): ? 1,40,000/- per month
JAM (SI): ? 1,30,000/- per month
AAM (ASI): ? 1,20,000/- per month
Senior Flight Gunner (Inspr): ? 1.55 to 1.65 Lakhs per month
Junior Flight Engineer (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
Junior Flight Gunner (SI): ? 1.35 to 1.55 Lakhs per month
How to Apply: The advertisement is open up to 31st December 2021 subject to availability of vacancies as per the requirement. Eligible candidates may apply and applications against there contractual vacancies will be accepted till 31st December 2021. Completed application along with requisite enclosures should reach to "DIG (Pers), FHQ BSF, Pers Dte, CGO Complex, Block 10, Lodhi Road, New Delhi - 110003".







